ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা পুথোকপা ৱেটলেন্দ ওফ মণিপুর হায়না মিংথোনবা মিনিট ২০ শাংবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা রিলিজ তৌখিবা

লামায় ৩

রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা খুল ১০গী শোখনা লৈরবা ইমুং ৩০১দা চান-থক্নবা য়াওনা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

লামায় ৫

কংলাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বানদা লম খোপচিন্দুনা লোনা য়াদবা মওংদা গরাজ, হোটেলনচিংবা শাজিল্লম্বশিং পুলিসনা লোকল ক্লবকা খুৎ-শম্নদুনা তকথোকখিবা

লামায় ৬

গুৱাহাটি, সিলচর অমসুং নাগালেন্দদা পন্দুনা লৈরিবা মোইরাং এসেম্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মনুং চন্না লৈবা মীওইশিং লৌরুনবগীদমক এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা বস অনী লমথাখিবা

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.044 থাংজ, কালেনগী ১৭নি পানবা অপুনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Saturday, May 09, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন, ত্বেল্ভকী এগজাম জুলাইদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৮(ঐচ এন এস):

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)দা এফিলিএট তৌবা স্কুলশিংগী ওইনা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভকী বোর্দ এগজাম জুলাই থাগী অহানবা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না হ্যুমেন রিছোর্স দিভ্লপমেন্ট মিনিষ্টর রমেশ পোখ্রিয়ালনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভকী বোর্দ এগজাম মতম কক্তনা য়েথোকখিবনি। নোর্থ ইষ্ট দিল্লিগী মহৈরোয়শিংগী ওইনদি চহী অসিগী হৌগৎলকপদা রায়টনা মরম ওইরগা য়েথোকখিবা সবজেক্ট ৬কী এগজাম অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। জোইন্ট এন্ট্রান্স এগজাম (মেইন) অমসুং নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট-অন্দর গ্রেজ্যুয়েটকী মাংওইননা নোর্থ ইষ্ট দিল্লিগী বোর্দ এগজাম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নোংমৈ অমদি মোর্টার সেল ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮(ঐচ এন এস):

হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেকমাইজিন খোইদুমপাৎতা লৈবা ঙাগী ফার্ম অমদা শকখঙদবশিংনা লোৎতুনা থম্লম্বনি হায়বা নোংমৈ অহুম অমদি মোর্টার সেল ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা নোংমৈশিং অদুদি এ কে ৫৬ রাইফল অমা, কার্বাইন মেছিন গন অমা, মেগজিন অমা, ৩০৩ মোদিফাইদ রাইফল অমা অমদি মোর্টার সেল অনী ফাগৎখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসননা কেস অমসু লৌখৎখ্রে। ফাগৎলবা খূৎলায়শিং অসি প্রিপাক প্রোগী ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৮

HL Poll

Q: NFSA gi card paiba employee singna card surrender touraktrabadi action loukhatkani haibadu thabakta onthorakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Khudongthiningai oiraba Coronavirus ki laichat lakshinnaba athuba matamda vaccine puthoraklagani haibagi thajaba leibra?

Yes 47% No 53%

অস! লোইরেহে!

- খাবে চেগপকাসে লোইনা কোলহিং হাইগৎলেনে, থৌরানী নঙবো...!
- ꯈꯥꯕꯦ ꯆꯦꯒꯄꯀꯥꯁꯦ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯀꯣꯜꯍꯤꯡ ꯍꯥꯏꯒꯠꯂꯦꯅꯦ, ꯊꯣꯔꯥꯅꯤ ꯅꯪꯕꯣ...!



- লোকদাউন হায়ব্রাইবু চেগপদাউন, খাবেদাউন তারেনে...!
- ꯂꯣꯀꯗꯥꯎꯟ ꯍꯥꯏꯕ꯭ꯔꯥꯏꯕꯨ ꯆꯦꯒꯄꯗꯥꯎꯟ, ꯈꯥꯕꯦꯗꯥꯎꯟ ꯇꯥꯔꯦꯅꯦ...!

ট্রেনদা অহানবগী ওইনা ঙসি চেন্নাইদগী মণিপুরী ১,২০০ রোম পুরক্লগনি : সী এম

‘ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা দোক্টর, নর্স অমদি পুলিসতা পীবা ফেসিলিটি নৎত্রগা কম্পেন্সেসনশিং অদু দ্রাইভরশিংদসু চপ মান্ননা পীগনি’

ইম্ফাল, মে ০৮(ঐচ এন এস):

লোকদাউননা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং পুশিল্লক্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ট্রেনদা অহানবগী ওইনা হয়েং চেন্নাইদগী মণিপুরগী মীওই ১,২০০ রোম পুরক্লগনি। ট্রেন অসি লাক্লিবা মে ১২দা জিরিবামদা থুংলরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং পুশিল্লক্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা কনাগুম্বা খরনা পাখৎহন্ননবা অমদি কিহন্ননবা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোরকপদা মীয়াম্না থাজবীগনু হায়না আপিল তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা খঙহৌদনা লোকদাউন তৌখিবদগী য়ূমদা হল্লকপা য়াদনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং অমদি অৱাবশিং অদুগী খল্লগা ষ্টেট লৈঙাক্না মখোয়বু লমদমসিদা পুশিল্লক্নবা হোৎনজবনি। ট্রেনগী লম্বী অসি ইম্ফাল য়ৌদবনিনা জিরিবাম নৎত্রগা দিমাপুর ফাওবা ট্রেনদা লাকহল্লবা মতুং বসতা অমুক ইম্ফাল তম্না পুরকপা তাবনি। মসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল টিম অমনা ঙরাং জিরিবামদা চৎলগা য়েংশিল্লুরে। মফম অসিদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমদি ওফিসলশিং কেম্প তৌদুনা লৈরগা ময়াম চৎতুনা পাংবা য়াবনিনা জিরিবামদা প্রাইওরিটি পীবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাক্কদৌরিবা ট্রেনশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, চেন্নাইদগী মীওই ১,২০০ রোম তোংদুনা হয়েং লাক্কদৌরিবা ট্রেন অসি জিরিবামদা মে ১২দা থুংলগনি। মে ১২দা পঞ্জাব অমদি চান্দিগরদগী ট্রেন অমা থাদোরক্লগা জিরিবামদা থুংগনি। বেঙ্গলোরদগীসু মে ১৪দা ট্রেন

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

য়ু পিদা লৈরিবশিং লৌথোকপদা য়াওহন্ননবা সী এমগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ০৮(ঐচ এন এস):

উত্তর প্রদেশকী ময়ো ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, ফাইজবাদ রোদ, গাদিয়া, বারাবঙ্কিদা এম বি বি এস তম্বা লোইদুনা ইন্সটিট্যুট অসিদগী সর্টিফিকেট লৌথোকপা চঙখিবা মণিপুরগী নুপীমচা অনী লোকদাউননা মরম ওইরগা মফম অদুদা পন্দুনা লৈরে। লৈঙাক্না য়ু পিদা পন্দুনা লৈরিবশিং লৌথোকপদা নুপীমচা অনী অসি য়াওহনবীননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। নুপীমচা অনী অসিগী মমিং সৌবাম জিনা অমসুং রোজি আর কে কৌই। হৌজিক লক্ষ্ণৌ কেন্টোনমেন্টতা লৈবা আর্মি হোস্পিটালদা নর্সিং ওফিসর ওইনা থবক তৌবা নুপী অমগী ক্বার্টরদা লৈরি। মখোয় অনীবু মণিপুরদা থোকহল্লকপদা লৈঙাক্না মতেং পাংবীননবা জিনাগী অপোকপনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

এম এল এ ৭কী দিসক্বালিফিকেসন কেস

মেন্টেনেবিলিটিগী মতাংদা হিয়রিং পাঙথোক্তুনা জজমেন্ট রিজর্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮(ঐচ এন এস):

চৎলিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লি অসিদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারক্লগা লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা এম এল এ ৭পু এন্টি-দিফেক্সন লোগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা পিটিস্নর ১৫না ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংগী মেন্টেনেবিলিটিগী মতাংদা হিয়রিং পাঙথোক্লগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌখ্রে।

মাংজৌননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী সেক্রেটরি এম রমনিনা থোকখিবা কোজলিষ্টকী মতুং-ইন্না ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদগী স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা মসিদা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং লৌখৎখি।

স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা হৌজিক লৈরিবা কেসশিং অসিগী মতাংদা লৌখৎত্রিঙৈদা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসিবু মায়োক্নরিবা এম এল এ ৭কী মায়কৈদগী ট্রাইব্যুনেল অসিদা ফাইল তৌরকখিবা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং অদুগী মতাংদা হান্না লৌখৎখি।

দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা এম এল এ ৭না মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা কেসশিং অসিগী টেক্নিকেল দিফেক্টশিং লৈ হায়বা য়াওনা অকক্নবা মরমশিং পীরদুনা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা লৌখৎতুনা খন্নফম থোক্তে। কেসশিং অসি দিসমিস তৌদুনা রিজেক্ট তৌবীয়ু হায়দুনা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং অসি ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা এম এল এ ৭না মখোয়গী মতক্তা ফাইল তৌরকপা কেসশিং চেলেঞ্জ তৌরকখিবা অসিগী অইবা পাউখুম (রিটন রিপ্লাই)শিংসু কেসশিং অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবনি। মসিদগী প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং অসিদগী হৌরগা থোরক্লিবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসি মেন্টেনেবল ওই নৎত্রগা ওইদে হায়বদু লেপথোক্নবগীদমক মিসেলিনস কেস ওইনা ট্রাইব্যুনেলনা ঙসি লৌখৎলগা মসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২১৬তা কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রি : হেল্থ মিনিষ্ট্রি

রেদ-গ্রীন-ওরেঞ্জ জোনগী লিষ্ট নৌনা শেম্নগনি

ন্যু দিল্লি, মে ০৮(এজেন্সী):

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ২১৬তা কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা হায়খি, হৌখিবা নুমীৎ ২৮গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৪২দগী কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌরকখিদে। হৌখিবা নুমীৎ ২১গী মনুংদনা দিষ্ট্রিক্ট ২৯দগী কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌরকখিদে। মীপূম খুদিংমক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হন্থহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা জোইন্ট সেক্রেটরিনা হায়খি, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনাবা মীওই ১,২৭৩ ফগৎলকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট ১৬,৫৪০ ফীভম ফগৎলক্তুনা মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লক্লে। লৈবাক অসিগী ওইনা রিকোভরি রেট চাদা ২৯.৩৬ ওইরি।

জুন নৎত্রগা জুলাইদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা-হেন্না ৱাংখৎলকপা য়াই হায়না এইমসকী দিরেক্টর দোক্টর রন্দিপ গুলেরিয়ানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা অগরৱালনা হায়খি, মীপূম খুদিংমক কাঙলোন চুম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং হন্থহনবা ঙমগনি। হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়ন কাউন্সিল

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ভারত বাইওটেকনা থা তরুক্কী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়েংনবা হ্যুমেন মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি পুথোক্কদৌরি

সী এস আই আরনা কোভিদ-১৯গী হীদাক অনী ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, মে ০৮(এজেন্সী):

হায়দ্রবাদতা লৈবা ভারত বাইওটেক্না থা ৬ কী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়েংনবা হ্যুমেন মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি শেমগৎকদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট অমা কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়ল রিছার্স (সী ঐস আই আর)না অয়াবা পীখ্রে।

প্রোজেক্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা ভেক্সিন পুথোকপা কম্পনি অমা ওইরিবা পুনেগী নেসনল সেন্টর ফোর সেল সাইন্স (এন সী সী এস), ইন্দোরগী ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি অমদি গুরগাউগী প্রিদওমিক্স টেক্নোলোজিজসু শরুক য়াগদৌরি।

নেদরলেন্দস অমদি ইজরেলদা সাইন্টিষ্টশিংনা লেবোরেটরিদা শেমগৎপা এন্টিবোদিশিংনা কোরোনাভাইরস ঙাকথোকপা ঙম্বগী খুদম ফংখ্রবনি। সী এস আই আরনসু খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা এন্টিবোদিশিং পুথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, কাউন্সিল ফোর সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়ল রিছর্স (সী এস আই আর)না কোভিদ-১৯ লায়েংনবা হীদাক মখল অনী- ফেবিপিরাভির অমসুং ফাইটোফার্মাস্যুটিকেলগী ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল চথুবা হৌরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি জি সী আই)না অয়াবা পীখ্রে।

সী এস আই আরনা ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল তৌগদৌরিবা ফেবিপিরাভির হায়রিবা হীদাক মখল অসি জপান, চাইনা অমসুং অতৈ লৈবাক খরদা ইনফ্লুয়েঞ্জা লায়েংবদা শীজিন্নবা ব্রোদ স্পেক্ট্রম এন্টিভাইরেল দ্রগনি। দেঙ্গি লায়েংবদা শীজিন্নরিবা বাইওলোজিকেল মেদিসিন নৎত্রগা ফাইটোফার্মাস্যুটিকেল মখল অমসু সী এস আই আরনা চাংয়েং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি।

অহিং-নুংথিল নাইদনা হীদাক পুথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলিবা সী এস আই আরগী দিরেক্টর জেনরেল সেখর মন্দেনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চয়োল অমগী মনুংদা হীদাক মখল অনীগী ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল চথুবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

সব-ষ্টেন্দর্দ কিটশিং সপ্লাই তৌরম্বগী মায়োক্তা কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮(ঐচ এন এস):

হৌজিক কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) শন্দোরকপগী মায়োক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা মসিগী খূদোংচাবা লৌদুনা মীওই খরগী ফার্মশিংনা সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা মেদিকেল কিটশিং মণিপুরগী হেল্থ দিরেক্টরদা সপ্লাই তৌরম্বগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা ৱাকৎলকপদগী কম্মিসননা কেস ১ লৌখৎলগা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

ৱাকৎ অসি কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট এন চেতননা পিটিস্নর ওইদুনা থা অসিগী ৫দা ফাইল তৌরকখিবনি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা কমপ্লেন্ট পিটিসন অসিদা প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়না লৌবদগী প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন-১২গী মখাদা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর- ৫৭ ওফ ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। লোয়ননা মথংগী নুমীৎতা কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা চথখিবা প্রোসিদংদা কেস অসিগা মরী লৈননা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা দিরেক্টর, হেল্থ সর্ভিসেস (মণিপুর)না লিগেল এক্সনশিং লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা মে থাগী পি দি এসকী চেঙ চিংথোকপা হৌনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

মে থাগী পি দি এসকী চেঙ তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা চিংথোকপা হৌনখ্রে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চিঙাই এসেম্লী কনষ্টিট্যুন্সিগী ওইনা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ৯৯২.৩৫ চিংথোকখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্না যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ২০৫১.৩০ ঙরাং চিংথোকখ্রে। নুমীৎ অসিমক্তদা ৱাংজিং-তেন্থাগী ওইনা ওপন মার্কেট সেল স্কিমগী মখাদা ক্বিন্টল ৫০ রোম চিংথোকখ্রে।

নফসা, পি এম জি কে এ ৱাই অমদি ও এম এস এসকী মখাদা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৬০দা এলোকেট তৌবা পি দি এসকী চেঙশিং এফ সী আই গোদাউনশিংদগী চিংথোকপগী থবক য়াম্না কন্না চখুরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এফ সী আই গোদাউনশিংদগী মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা পি দি এসকী চেঙ চিংথোক্নরিবনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী য়ুম-য়ুমদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক চান-থক্নবা পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা পি দি এসকী আইটেমশিং য়েন্থোকপগী থবক চথনবা চেঙশিং চিংথোক্নরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৩গী পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্বিন্টল ৫৬১৮.১ চিংথোকখ্রে। কৈশামথোং এ সীগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১৪৫৯.০৪, লমশাং এ সীগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ২২৭০.৭, ময়াং ইম্ফাল এ সীগী ওইনা ক্বিন্টল ১৮৮৮.৩৫নি। এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অহুম অসিগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্ন যোজনাগী মখাদা এলোকেট তৌবা চেঙশিং চিংখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু চেঙ চিংবগী থবক চথুরি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল এ সীগী ওইনা সঙাইপরৌ এফ সী আই গোদাউনদগী চেঙ ক্বিন্টল ১৩৬.৬০ চিংথোকখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

এ কে সন, থৌবাল ৱাংমতাবা সোড়োক মখা

লোকদাউন মনুংদা অখন্নবা দুকান খরখক হাংহনবনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী দুকান ফন্বা মীওইশিংদি য়াম্না ৱাবা হায়বদু ওইরে। খুদম ওইনা হায়রবদা ফি শাদুনা অমদি ফিরোল তুরগা য়োনবদগী ফংলকপা পৈশানা চেং ৱান্দুনা হিংবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। মরম অদুনা দুকান খুদিংমক পালি নাইনা চয়োল অমা নত্রগা চয়োল খরা গ্রোসরি, হেন্দলুমগী পোৎলম অমদি তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং য়োলহন্নবা লৈঙাক্না শীনবিয়ু। লোয়ননা ইম্ফাল মনুংদা চঙলক্লিবা কাংখোঙ মরি পানবা অমদি অনী পানবা গাড়িশিং ভেলিদ শোপ লাইসেন্স পাইবরা হায়না চেক তৌদুনা থাজিনবিরবদি মী চিনবসু ফগনি খল্লি। চৈরকসিদা মীওই খরদি খুদোংচাবা ফংহৌনবগীদমক দি সীদগী পার্মিট লৌদুনা পোৎচৈ কয়া পংলৌদা লৌনরব্রা হায়বসিসু থিগৎপিবা ফৈ। নুমীৎ খরনীগী মমাংদা শোপ ট্রেদ লাইসেন্স পাইবা দুকান খক হাংবা য়াগনি হায়না লৈঙাক্না হায়বিখিবনি। অদুবু হৌজিক হাংনরিবা দুকানশিং অসি অয়াম্বনা লাইসেন্স পায়দবসু য়াওরমগনি। দুকান খুদিংমক মতম খরা-খরা হাংবা ঙমজনবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিংসু ঙাক্না চৎপা ঙম্নবা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎহন্নিংই।

বিজেতা সোইবম, লিলোং চজিং মাইরেনখোং

লোকদাউন লৈখিবদগী মহৈলোয়শঙশিংদা মহৈ তম্বা ফংদ্রবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংনবা হায়দুনা ওনলাইন ক্লাস তৌবিরিবা অসি য়াম্নমক ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু মহৈরোয় খরদি মশাগী য়ুমদা স্মার্টফোন অমদি লেপটোপ লৈতবনা ওনলাইন ক্লাস য়াওবা ঙমদ্রে। স্মার্ট ফোন অমদি লেপটোপ লৈবা ইমুং-মনুং খরনা নেটৱার্ক ফংদবনা অৱাবা কয়া থেংনদবসু নত্তে। ওনলাই ক্লাস য়াওবা অমদি য়াওহৌদবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা চাউনা খেন্নবা অমা লাক্লবা য়াই। ওনলাইন ক্লাস য়াওবা ঙমদ্রবা মহৈরোয়শিংগী ৱাৎহৌরবা সেলেবসকী তাঙ্ককশিং কনানা মেনখৎপিগনি হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। সর্ভে অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক মহৈলোয়শঙ লাক্ষ ১৫ রোম থোং লোনবনা মহৈরোয় ক্রোর ২৫ মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি। অতোপ্পা ষ্টেট খরদা লায়রবা ইমুং-মনুংশিংদা স্মার্ট ফোন অমদি লেপটোপ পীবিদুনা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা হোৎনবগুম মণিপুর লৈঙাক্নসু হোৎনবিরবদি লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংগী অঙাংশিংসু মহৈ তম্বা ফংগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না ওনলাইন ক্লাস অসিদা মহৈরোয় কয়াম শরুক য়ারি অমদি য়াদে হায়বা থিদোকপীদুনা মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা অখন্নবা থবক পায়খৎপা মথৌ তারে হায়জনিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

মণিপুরদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং ময়ুমদা থিনখিনবা ট্রেন ৱাইনবগী পর্মিসন পীবীনবা পি এমদা চে থাখ্রে : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

ষ্টেট কয়াদগী মণিপুরদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অমদি লেবররশিং ময়ুমদা হনখিনবগীদমক স্পেসল ট্রেন ৱাইবগী পর্মিসন পীবীয়ু হায়না সী এল পি লিদর ও ইবোবীনা প্রাইম মিনিষ্টরদা চে ইখ্রে হায়খ্রে এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রগী ক্বার্টরদা পাউমীশিংগা উনবদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, সী এল পি লিদর ও ইবোবীগী ক্বার্টরদা ঙসি অয়ুক সী এল পি মীটিং পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯গী অৱা-চৈথেং অমদি পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং ময়ুম লমদমদা হনবগী মতেং পাংনবা খন্ন-নৈনখি। এ আই সী সীগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লেবরশিং ময়ুম-ময়ুমদা হনখিনবা থৌরাং পায়খৎপনি। মসিদা চঙবা শেনফমশিং সী এল পি মণিপুরনা পুথোক্কদবনি। অদুবু ট্রেনদা হনগদবা ওইবনা পর্মিসন অমদি লৌবা তঙাইফদবনা চে ইখিবনি। সী এল পি লিদরগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ রেলৱেদসু চে ইখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনসু হীরম অসিগী মতাংদা সপোর্ট তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মণিপুরদা হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লেবররশিং অসি ময়ুম-য়ুমদা হলহনবদা ট্রেনদা চৎপগী অচঙবা শেনফম অসি পুথোক্কদৌরিবনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা জিরিবামদগী পত্নাদা থিন্নবা থৌরাং তৌরি। বিহার খক্তদগী মণিপুরদা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লেবরর ১৫০০ রোম লৈ। মখোয়শিং অসি অহানবগী ওইনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন্দগী বিহারগী পত্না রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা থিন্নবা মীৎয়েং থল্লি। ট্রেনদা চৎপগী অচঙবা শেনফম সী এল পি মণিপুরনা পুথোক্কনি। অদুবু ট্রেন ৱাইবা হায়বসি পর্মিসন চঙই। পর্মিসন অসি হেক ফংবগা বিহারদগী লমদম অসিদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লেবররশিং অসি অহানবগী ওইনা থিন্নবগী থৌরাং তৌরে। মখা তানা

...মখা লামায় ৩ কলম ২